ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯏꯔꯥꯏ, ꯖꯨꯟ ꯲꯱, ꯲꯰꯱꯹, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯳ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯸꯳ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
ইরাই, জুন ২১, ২০১৯, ইম্ফাল
৪৩শুবা চহী, ৮৩শুবা মশীং

# স্মার্ট সিটি প্রোজেক্টকী মরাইবক

## শেলতমক চঙলগা কান্নফম খঙদবা থৌরাং ওইগদৌরিবরা

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক্না ইন্দিয়াগী সিটি ১০০ খনগৎলগা স্মার্ট সিটি ওইনা শেমগৎনবা থৌরাং লৌখৎপদা ইম্ফাল য়াওরবসু প্রোজেক্ট অসিগী মরাইবক তন্না ঙমদবা ফীভম অমদা লৈরে হায়রিবসি লাইবক থীবনি। রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না ইম্ফালদা স্মার্ট সিটি প্রোজেক্ট পায়খৎনবগী মতাংদা মণিপুর লৈঙাক্না ৱাথোক কয়াদা চেন্নবা কম্পনি অমগা মেম্মরেন্দম ওফ অন্দরষ্টেন্দিং (এম ও য়ু) খূৎয়েক পীনখ্রে হায়রি। হীরম অসিগী মতাংদা রিপোর্ট অমনা হায়, ইম্ফালদা স্মার্ট সিটি প্রোজেক্ট পায়খৎনবগীদমক মমাঙ চহীগী নবেম্বর ৬ তা চীফ মিনিষ্টরগী সেক্রেটেরিয়েটতা মণিপুর লৈঙাক্না ইনফ্রাষ্ট্রকচর লিজিং এন্দ ফাইনান্সিয়ল সর্ভিসেস (আই এল এন্দ এফ এস) কৌবা কম্পনি অমগা এম ও য়ু খূৎয়েক পীনখিবনি। চীফ মিনিষ্টর য়াওনা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা এম ও য়ু খূৎয়েক পীনখিবগা লোয়ননা আই এল এন্দ এফ এসতা স্মার্ট সিটি প্রোজেক্ট পায়খৎনবগী থৌদাং শিন্নখ্রবসু ৱাথোক কয়াদা চেন্নবা কম্পনি অসিনা মমাঙ চহীগী সেপ্টেম্বর ফাওবদা লুপা ক্রোর কয়াগী শেন্দোল শীংবা ঙমখিদবা মরম্না কম্পনি অসিগী মথক্তা তোঙান-তোঙানবা এজেন্সি কয়ানা ইনভেষ্টিগেসন চত্থবা হৌখ্রে হায়রি। মমাঙ চহীগী ওক্টোবর থাদগী হৌনা কম্পনি অসিগী মথক্তা ইনভেষ্টিগেসন চত্থদুনা লাক্লিবা সিরিয়স ফ্রোদ ইনভেষ্টিগেসন ওফিস (এস এফ আই ও)না থা অসিগী অঙনবা শরুক্তা চাজ শীট ফাইল তৌখিবগী রিপোর্টসু লৈরে। নেসনল কম্পনি লো অপিলেট ট্রাইব্যুনেল (এন সী এল এ টি)নসু মমাঙ থাদা কম্পনি অসিগী একাউন্টশিং নন-পর্ফোর্মিং এসেট (এন পি এ) ওইনা লাউথোক্লবগী অয়াম্বা বেঙ্কশিংদা পীখিবসু লৈরে হায়রি। ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেট, সিরিয়স ফ্রোদ ইনভেষ্টিগেসন ওফিস অমদি সিক্যুরিটিজ এক্সচেঞ্জ বোর্দ ওফ ইন্দিয়ানচিংবা তোঙান-তোঙানবা এজেন্সিশিংনা আই এল এন্দ এফ এস গ্রুপকী মথক্তা ইনভেষ্টিগেসন চত্থবগা লোয়ননা মিনিষ্ট্রি ওফ কোর্পোরেট এফেয়র্সনা গ্রুপ অসিগী দিরেক্টর ওইরম্বা মীওই কয়াগী বেঙ্ক একাউন্টশিং ফাজিন্নবা থৌরাং লৌখৎলে হায়রি। সিক্যুরিটিজ এক্সচেঞ্জ বোর্দ ওফ ইন্দিয়ানা হৌখিবা জন্যুৱারী ৯ দা থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুং ইন্না কম্পনি অসি কেস কয়াদা চেন্নে হায়বা খঙলকখিবনি। অরানবা থৌওং চত্থদুনা কম্পনিগী মিংচৎ থীহল্লে হায়বগীদমক হৌখিবা এপ্রিল ১ দা কম্পনি অসিগী ভাইস চেয়রমেন ওইরম্বা শঙ্করন কৌবা মীওই অমা সিরিয়স ফ্রোদ ইনভেষ্টিগেসন ওফিসনা মুম্বাইদগী ফাবা লৈখ্রবনি। অরানবা মওংদা মীওই কয়াদা লোন পীথোকখিদুনা কম্পনিগী মাঙনবা থৌরাং লৌখৎলে হায়বগী মরালদা শঙ্করনবু স্পেসল কোর্ট অমদা পুথোক্লগা এপ্রিল ৪ ফাওবা রিমান্দ লৌখিবনি।

পূম্নমক অসিগী মথক্তা কম্পনি অসিনা তোঙান-তোঙানবা বেঙ্কশিংদগী লোন ওইনা লৌখিবা লুপা ক্রোর ১৭,০০০ কী শেনফম হৌজিক ফাওবা শিংবা ঙমদ্রি হায়বা ৱাফম অমসু লৈরি। কুমজা ২০১৫গী জুন ১৫দা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ‘স্মার্ট সিটিজ মিসন’ লোঞ্চ তৌখিবগা লোয়ননা লুপা ক্রোর ৯৮,০০০ কাইথোক্তুনা ইন্দিয়াগী সিটি ১০০ মপূং ফানা শেমগৎনবা থৌরাং লৌখৎখি। কুমজা ২০১৫গী য়ুনিয়ন বজেটতা য়ুনিয়ন ফাইনান্স মিনিষ্ট্রিনা প্রোজেক্ট অসিগীদমক লুপা ক্রোর ১৪৩ কাইথোকখিবগা লোয়ননা অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা সিটি ২০ খনগৎখি। ওল ইন্দিয়া সিটি চেলেঞ্জ কম্পিটিসন পাঙথোক্লবা মতুংদা অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা খনগৎলবা সিটিশিংদা স্মার্ট সিটি প্লান তৌনবগীদমক অর্বান দিভলপমেন্ট মিনিষ্ট্রিনা লুপা ক্রোর ২/২ পীথখ্রে। অহানবদা ষ্টেট-ষ্টেটকী ওইনা সিটি মশেল অথোই-অহেন তান্নহল্লবা মতুংদা ষ্টেট লেভেল ৱিন্নরশিংনা নেসনলগী থাক্তা অমুক স্মার্ট সিটি চেলেঞ্জদা শরুক য়াবনি। মতৌ অসুম্না খনগৎলবা সিটিশিংদা মিনিষ্ট্রি ওফ অর্বান দিভলপমেন্টনা স্মার্ট সিটি প্রোজেক্ট পায়খৎনবা থৌরাং লৌখৎলকপনি। অনীশুবা রাউন্দগী ওইনা সিটি ১৩ খনগৎপগী মনুংদা ইম্ফাল সিটিসু য়াওখি। অনীশুবা রাউন্দদা খনগৎখিবা সিটিশিংদি মণিপুরগী ইম্ফাল; উত্তর প্রদেশকী লখনৌ; বিহারগী ভগলপুর; হরিয়ানাগী ফরিদবাদ; চান্দিগরগী চান্দিগর; ছতিশগরগী রাইপুর; ঝরখন্দগী রাঞ্চি; হিমাচল প্রদেশকী ধর্ম্মসালা; তেলঙ্গনাগী ৱরাঙ্গাল; গোৱাগী পানাজি; ত্রিপুরাগী অগরতলা; অন্দমান এন্দ নিকোবারগী পোর্ট ব্লেয়র অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্গলগী কোলকটানি। অহানবা রাউন্দগী ওইনা সিটি ২০ খনগৎলবা মতুংদা সিটি ১৩ খনখিবদা ইম্ফাল য়াওরকপনি। কুমজা ২০১৭তগী কুমজা ২০২২ ফাওবদা সেন্ট্রেল অমসুং ষ্টেট গভর্ণমেন্টশিংনা শেল পুথোক্লগা পায়খৎকদৌরিবা থৌরাং অসিগী মখাদা খনগৎলবা সিটি খূদিংমক্না স্পেসল পর্পজ ভেহিকল (এস পি ভি) শেমগদবনি। চীফ ইগজেক্যুটিভ ওফিসর অমনা লুচিংগদবা এস পি ভিদা সেন্টর অমসুং ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা লুপা ক্রোর ১০০০ থাদরগা স্মার্ট সিটি প্রোজেক্ট পায়খৎকদবনি। মণিপুরগী ওইনা নমথাক তৌবগী থৌদোক কয়াদা চেন্নে হায়বা কম্পনি অমগা এম ও য়ু খূৎয়েক পীনরুবনা চহী অহুমগী মনুংদা পায়খৎকদবা প্রোজেক্ট অসি মতম চানা লোইশিনবদি লায়রদনা তন্না ঙমদবা ফীভম অমদা লৈরে হায়রিবসিগী মতাংদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙহৌবা মথৌ তাই।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মিনিষ্টর পীবা খূৎপী

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

নরেন্দ্র মোদিনা অৱাং-নোংপোক চাওখৎত্রবদি ইন্দিয়া চাওখৎপা য়ারোই হায়রি অদুবু মিনিষ্টর পীবা খূৎপীদি, অৱাং নোংপোক্কী ওইনা কেবিনেট মিনিষ্টরসু নত্তবা ষ্টেট মিনিষ্টর অনীখক পীবা হায়বসি চাওখৎতনা লৈয়ু হায়বগা চপ মান্নে। গুজরাট, মহারাষ্ট্র, য়ু পি চাওখৎলি। লৈখিদ্রবা প্রাইম মিনিষ্টর জৱাহরলাল নেহরুগী মতমদগী য়ু পিনা ইন্দিয়া লৈঙাক্তা অচৌবা রোল লৌরি। নরেন্দ্র মোদি গুজরাটতা পোকই, য়ু পিদা ভোট লেপ্পী, ভোট কাই, য়ু পিদা মিনিষ্টর তরা পীরি। মিনিষ্টর ৫৮ ৱাশকপদা অৱাং নোংপোক্কী সিট ২৫, মিনিষ্টর ২ খক পীরি। মিনিষ্টর ২৩ য়ু পি, বিহার অমদি মহারাষ্ট্রদা পীরি। গুজরাট, মহারাষ্ট্র, য়ু পি, পঞ্জাবনচিংবা কয়াদা অচৌ অচৌবা ফেক্টরি লীংদুনা নহারোল কয়া থবক পীরি। মণিপুরদনা মীওই ৫০০/১০০০ রোমগী থবক পীনবা অচৌবা ফেক্টরি অমত্তা থমদে। রো মেটরিয়েল ফংদে হায়দুনা রো মেটরিয়েল ফংনবসু সেন্টরনা হোৎনবীদে। মিনিষ্টর পীদবা মণিপুরনা ইন্দিয়াগী মীংচৎ পুরক্লি।

অৱাং-নোংপোক্কী ষ্টেট খুদিংমক্তা মিনিষ্টর অমমম পীরবদি, ফোরেন টুর চৎহল্লবদি, লোয়ননা ইন্দিয়াগী পোলিসি মেকিং বোদিদা য়াওহল্লবদি অৱাং-নোংপোক চাওখৎপগা লোয়ননা য়ু পিনা ইন্দিয়া লৈঙাক্তা অচৌবা রোল লৌবগুম্না, অৱাং-নোংপোক্লসু ইন্দিয়াগী লৈঙাক্তা অচৌবা রোল লৌবা ঙমগনি খনবা মানবা মওংদা নরেন্দ্র মোদিনা অৱাং-নোংপোক্কী ওইনা মিনিষ্টর অনীখক পীবনি হায়বসি হায়মনবা থোক্লোই খঞ্জে।

অমরোমদা, হৌজিক হৌজিক মণিপুরগী ওইরিবা ফীভম অসি ইন্দিয়াগী অতৈ ষ্টেটশিংগী মমাঙদা ইকায়নীংঙাইনি। শক্তি পায়নবা হোৎনবদা মীচম মীয়ামদা চেঙ কেজিদা লুপা ৫০গী মথক্তা পীজরি। ওভরদ্রাফ্ট তারে, করপসন সেল মনা-মনিল নাইখিদ্রে। লৈখিদ্রবা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর ওইবিরম্বা দল্লিয়ু নিপামচাগী মতমদা ওভরদ্রাফ্ট তাবদগী কর্ম্মচারিগী তোলোপকীদমক সেমি গভর্ণমেন্ট, অন্দরটেকিং, কোর্পোরেসন, ওটোনোমস বোদিশিংগী শেনফম লৌরগা কর্ম্মচারিশিংগী তোলোপ পীখি। মণিপুরগী ওইনা মিনিষ্টর ৬০ পীরবদি এম এল এশিং ঈংগদবা মাল্লি।

*অদোমগী - থিংবাইজম ইতোবী*
*তোপ অৱাং লৈকায়*

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৯৮

১। কুমজা ১৮৪৪ অসি ঐখোয়গী পুৱারীদা মরুওইবা থৌদোক অনীখক থোকখি। অমনা মতমদুগী য়ুবরাজ নরসিংহবু ইবুংশি নবিন্না থাঙনা শোকহনখিবা। অতোপ্পা অমনা অহানবা পোলিটিকেল এজেন্ট জোর্জ গোর্দোন লমদমসিদা শিখিবা।
(ক) য়ুবরাজ নরসিংহ মশাগী চহী কয়াদা নিংথৌ ওইখিবগে?
(খ) পোলিটিকেল এজেন্ট জোর্জ গোর্দোন কদায়দা ফুমখিবগে?

২। “পৃথিবী অসে অকনবগীনি খঙদ্রা? মসিদা অশোনবগী মফম লৈতে- নমদুনা হিংলগা নমদুনা পানগদবনি।” পরেং অনীসি রা.কু. সুরেন্দ্রজিৎকী লীলা অমদগী লৌথোকপনি। লীলাদুগী মমিং হায়য়ু।

৩। “খোমইনবী মমাশিংনা/নীংঙাইদনা তূম্লি কৌবা তাদনা/মচাশিংনা চিংলি হঞ্জিন হঞ্জিন/খোম খকখ্রবা খোমজিনশিংদুদা।” পরেং মরি অসিনা কবি শরতচান্দগী শৈরেং লাইরিক অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেং লাইরিক অদুগী মমিং হায়য়ু।

৪। “য়েংলু খুদিং নঙতবু উরে/... পাল্লিবা হৈরাংসু নঙগী শক্তম/শাৎলিবা লৈসু নঙগী মায়থোঙ।” পরেং অহুম অসিনা আর কে হেমাবতীগী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু।

৫। “কায়রবা থম্মোয় মচেৎশিং/হৌরসনু লৈপাল ওইনা/মাগী থোঙ্গাল মনাক্তুদা/লৈরাং লৈনম ফংবদা/ঐগী থম্মোয়নি খঙনবা।” পরেং মরি অসিমনা ‘কেন্দুনা লৈরল্লবদি থম্মোয় অমা’ কৌবা ঈশৈ-শৈরেং লাইরিক অদুদগী লৌথোকপনি। অইবদু কনানো হায়য়ু।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুন ৩০, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ‘নোটা’ ভোট কাবদি য়ারমগনি নীংদে, মিনিষ্টর ওইবসু য়ারল্লোই

**অওনবা মালেম**

**সৌবাম তোম্বা লুৱাং**

চৈরমগদ্রা? চৈরল্লোইদ্রা! কনাসু খঙবা ঙমদে। অদুবু তুমিন্না ঙাইহাক্তং ৱাখল খন্থবদদি চৈরমগদবা মাল্লি। ওইরিবা ৱাথোক অসিনা ৱাখল খলহল্লকপনি। খনগনু হায়বা য়াদে মীখলদা ভোট থাদরিবা মীওই অমা ওইরবনিনা। হায়রিবা ৱাফমসি অতৈ করিগীসু নত্তে হৌজিক মরিপুরদা লৈঙাক্লিবা বি জে পিগী এম এল এ অমদি মিনিষ্টরশিংগী মরক্তা ৱাখল/মীৎয়েং মান্নদবগী মওং অমা মীয়াম্না উবা ফংলক্লিবা অসিদগীনি। য়াম্না শন্দোক্না হায়দ্রবসু ওইরিবা মওং অসিদনি সেন্টরনা মণিপুরদগী ৱাথোক অসিগা মরী লৈননা চৎলুবা মীওইশিংদা য়াম্না চৈরমগদবা মাল্লি। হোয় য়াম্নমক চৈরমদ্রগসু ৱা খরদি শাউনীংনা হায়রমগদবা মাল্লি। মণিপুরগী লুচিংবশিং অদুগী মমাঙমক্তদা হায়রমদ্রগসু মখোয়শিং য়াওদবা মতমদদি পার্টিগী নেসনল লুচিংবশিং য়াম্না শাউরমগনি, পেন্দবা লৈরমগনি, চৈরমগনি হায়না খল্লি। খল্লিবা ৱাখল অসি লাইনা শেল্লকপা থৱায় পানবা মীওইবা হায়বদু ওইরুবদগীনি। লোক সভাগী মীখল লোইখ্রে। পার্টি অসিনা য়াম্না চাউনা মায় পাকখ্রে। কুমজা ২০১৪দা পার্টি অসিনা ফংখিবা সিট মশিংদগী ফাওবা হেন্দুনা সিট ৩০৩ ফংদুনা পার্লিয়ামেন্টতা মেজোরিটি ওইরে। সেন্টরদা অমুক হন্না পার্টি অসিগী গভর্ণমেন্ট পায়রে। বি জে পি অমদি নরেন্দ্র মোদিনা লৈঙাকপা গভর্ণমেন্ট অসি লৈবাক অসিনা থাজরে, পাল্লে হায়বা তাকপনি। মসিগী নুংঙাইবগী ঈথক-ঈপোম অমা লৈরিঙৈ চৈরক অসিদা মণিপুর লৈঙাক্কী মনুংদা ৱাখল/মীৎয়েং মান্নদবগী থোরক্লিবা ঈৱায়-ঈনিল অসিনা লৈবাক মীয়ামগী পূক্নিং-ৱাখলদা হৈনদবা অমা পোকহল্লে হায়দুনা পার্টিগী লুচিংবশিংনা হায়রম্বা য়াই হায়না খল্লি। মণিপুরদা তৌবনি লৈবাক্কী অতৈ মফমদা মরী লৈনদে হায়রম্বদি য়াই হায়ববু পাউ অসিদি তাগনু হায়বদি য়াবা নত্তে। ওপোজিসন পার্টি কয়া নেসনলগী থাক্তা লৈরি। মীৎকুপ নাহুম শিংনা ওপোজিসনগী রোল লৌগদবগী ঙাইদুনা লৈরি। মণিপুরদা লৈঙাক পায়রিবা পার্টি অসিসু নেসনল পার্টি অদুগী মসা অমনি হায়বদি মণিপুরদা হাংবা পার্টিগী মসা অমনি। মখোয়গী মখাদা লৈরিবনি। মরম অদুনা ফজবা/ফজদবগী মওং খুদিংমক দিল্লিগী মায় ওইগদৌরিবনি। মসিনি মখোয়না পেল্লল্লোইদবা মওংসি। ক্রক-ক্রক য়েংশিন্নদুনা লৈবা নেসনলগী থাক্তা লৈবা ওপোজিসন পার্টিশিংগী মমাঙদা ইকায়বা খরদি ফাওরমগনি করিনা হায়ববু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা বি জে পিগী মনুংদা থকসি-খাসি খরা ৱাৎপা মানবা ফীভম অমা উবা ফংলকপসিদগী।

মতম অমদা মণিপুরদা বন্দ য়াম্না তোয়না তৌবগী হৈনবী/চৎনবী অমা লৈরম্বদু মীয়াম্না নীংশিংবিবা য়াই। বন্দ কৌরবনিনা মীয়ামদি মপাল থোক্লদ্রে লম্বীদা থোক্লক্তুনা চৎপা য়াদে হায়না থিংবা য়াওদ্রবসু। বন্দ কৌরম্বশিংদুদি তুমিন্না লৈখ্রে, মশক উখিদ্রে। বন্দগী খুদোংচাদবুদি মীয়াম অমদি লৈঙাক্না মায়োক্লহৌরে। হন্দক বি জে পি গভর্ণমেন্ট মনুংদা থোরক্লিবা ৱাখল মান্নদবগী মওং অমা উবা ফংলিবসিনা মপাল থোক্লক্লিবসিদি এন পি এফনা লৈঙাক পায়বা য়াওবা/য়াওদবগী ৱারেপ অমা লৌরগনি হায়রকপদগীনি। মদুগী মতুংদগীদি ৱাখল মান্নদবগী ফীভম হেন্না হেন্না মপান থোরক্তুনা মীয়াম্না তাবা, উবা ফংলকপনি। হায়রিবা ফীভম অসি য়াম্না তেনবা মতমগী মনুংদা থোক্লকখিবনি। য়াম্না তমথীবা লায়না অমনা নারবা মীওই অমা লায়না অদুনা পরপ-পরপ লাকশিল্লকপা অদুগুম্বনি। থুখ্রবা লায়না লায়ওংনি। অদুক য়াম্না থুনা ওইরকপগী মওংসিনা তাকপদি ৱাখল মান্নদবগী লায়ওংসি লৈবা কুইরে হায়বা য়াই। মদু নত্তনদি খুদক্তা অনাবা অদু খঙহেন-হেঞ্জিকপা য়াবা নত্তে। মনুংদা ওমদুনা লৈরগসু থোক্লকফম মচিন লৈত্রগদি মপাল থোক্লকপা য়াবা নত্তে। মসি তাইবঙপালগী চৎনবী অমনি। এন পি এফতি মখোয়না হায়খিবা ৱা অদুখক্তং হায়রল্লগা তুমিন্না লৈখ্রে। অদুগা অমরোমদনা বি জে পিগী মনুংদা ৱাখল মান্নদবগী লান অমা ওইদুনা লৈরি। নাকোয়ননা মৈচাক্না বি জেপিদা ওইদুনা লৈরে। ৱাকৎ দিল্লিদা য়ৌরে। নেসনল লীদরশিং মণিপুর য়ৌরক্লে। বি জে পিগী এম এল এশিং দিল্লি য়ৌনরে। অমরোমদা এন পি এফনা করিগুম্বা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোক্লমদনা হান্নগুম্না লৈরল্লবদি মনুংদা ওমদুনা অদুম মতম খরদি লৈরমগনি, মপাল থোক্না মৈ চাক্লক্লোই হায়নীংই। নেসনলগী লুচিংবশিংদা ৱাকৎপসু তৌরল্লোই অদুগা নেসনলগী লুচিংবশিংসু, সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টসু কোক শারমদবসু য়াই, মায় ঙাংলমদবসু য়াই। পার্টিগী ওইবা মনুংগী ৱাফমনি সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকা মরী লৈনদে হায়না খনবা য়াদ্রব্রা হায়না খল্লি, মরমদি ওভরদ্রাফ তাবদগী আর বি আইনা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী শেল কায়থোক-কায়শিন তৌবদা মতম খরা অথিংবা থল্লে হায়রক্লবনিনা। রিজার্ব বেঙ্ক হায়বসিদি পার্টি অমগী মনুংদা লৈবা ওফিস নত্তে। মসিদি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী মখাদা লৈবা শেল-থুম কায়থোক-কায়শিন পান্নবগী ওফিস অমনি। ওভরদ্রাফ তাবা হায়বদুদি মনুংদা করম্না ওইরকপনো হায়বদু মীয়াম্নদি খঙলুবা, উরুবা নত্তে। হন্দক্কী ফীভম অসিদি পার্টি অমদি গভর্ণমেন্টকী ওইবা ৱাফমদা ৱাখল মান্নদবনি হায়বমকসু য়াই। মদুননি পার্টিগী নেসনল লীদরশিং অমদি সেন্টরনা পেন্দবা, ৱারৌবা মণিপুরগী বি জে পিগী এম এল এশিং অমদি লৈঙাক্তা লৈরম্বা য়াই হায়রিবসি।

হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা মীয়াম্নদি করি খল্লম্বা য়াই? তশেংনা হায়রবদা ঙসি মণিপুর গভর্ণমেন্টকী মনুংদা ওইরিবা মওং অসি মীয়াম্নদি কয়া পাল্লমগনি, হরাওরমগনি, য়েংনীংলমগনি হায়বদি থাজবা ৱাৎলি। পার্টি অমখক্কী ৱাফম নত্তে, পার্টি অমগী হেক্তা গভর্ণমেন্ট ওইবা য়াই। পার্টি অমগী গভর্ণমেন্টনা মওং অসুম্না হেক তৌরকপদা মীচম মীয়াম্না হৈনদবা ফাওই। মমাঙথক্তা পার্টি কয়াগী গভর্ণমেন্ট লৈখ্রে। মদুগী মতমদসু ৱাখল মান্নদবগী ৱাথোক কয়া হন্দক্কী অসিগুম্না থোকখি। মতমদুদসু মীচম মীয়াম্না অনীংবা, য়েংনীংবা, অপেনবা হায়বদু ওইখিদে। মীয়ামগী ওইনা ভোট কাখ্রবা এম এল এশিংগী মরক্তা ৱাখল তিন্নরক্তবনি। মসিদা মীচম মীয়ামগা করি মরী লৈনবা? মীচম মীয়ামসিনা মীখলদা ভোট থাদ্ররমদ্রবা মখোয় মীয়ামগী মীহুৎ হায়বদু ওইরল্লোই। লৈবাক মীয়ামগী থবক তৌনবা লৈঙাক্লবা গভর্ণমেন্ট শেম্বদা মখোয় শরুক য়াবা ঙল্লল্লোই। ইশম-শম্না হায়রবদা মীচম মীয়াম্না ভোট থাদদ্রবদি মখোয় এম এল এ হায়বদু ওইবা য়ারল্লোই। করিসু পৱার লৈজদ্রবা মীচম-মীয়াম্না ভোট থাদবদগী মীয়ামগী মীহুৎ ওইখ্রবশিং অদুননি ৱাখল মান্নদবগী ফীভম অমা মপাল থোক্না লৈবাক মীয়াম্না উবা ফংলক্লিবসি। মণিপুরদগী হেন্দোক্তুনা লাপখ্রবা দিল্লি য়ৌরে। উবা ফংলিবা ফীভম অসিনা লৈঙাকপগী পৱার করিসু লৈজদবা অদুগা ভোটতি থাদবা য়ামখ্রবা মীচম মীয়াম অসিগী পূক্নিং ৱাখলদা করিগুম্বা ৱাখল অমদি মোংলক্তবরা? মীচম মীয়ামসি তরেৎ-তরা থোক্না ৱাখল খন্থবা ৱাৎহৌরবরা? মীখলদা ভোট থাদবা তনবগী হায়বদি মীখলগী ৱা হায়নরকপদা খোয়রাং-খোয়শাওনবগী ঈৱায়-ঈনিল অমা ভোট থাদবা মীচম মীয়ামদা ফাওহনবরা? মওল-মওলনি মীয়ামদা খলহল্লিবসি। অসুম্না খনগনু/খনবা য়াদে হায়রুবা য়াবা নত্তে করিনা হায়ববু তাইবঙ মপুনা তাইবঙ মী শেল্লকপদা ঈদা য়াওরকখ্রবনি। মালেমদা লৈরিবা মীপূম খুদিংমক অসুম্না লোয়না খনগনি। করিগুম্বা মীখলগী মতম য়ৌরকপদা ভোট থাদগদবা মীচম মীয়াম্না খোয়রাং-খোয়শাওবা পোল্লবদি লৈবাক অসি করম্না ঙাক্কনি, মীয়াম্না লৈঙাকচবা ফজখ্রবা দেমোক্রেসি হায়বা লৈঙাকলোন অসিগী ফীভম করি ওইগনি? দেমোক্রেসিগী লৈঙাক লৈত্রবদি শুপ্নমগী লৈঙাক তৌনীং-তৌনীংবতা তৌবা মীয়ামগী খন্দবা দিরেক্টরগী লৈঙাক হায়বদু মশানা লাকপা তাবনি।

লৈঙাক্কী মনুংদা ৱাখল তিন্নদবগী ফীভম অমা উবা ফংলক্লিবসি মীয়ামগী মীহুৎশিংনা ভোট থাদবা মীয়ামগা মরী লৈনদবগুম্না ৱাখল খল্লন্নবদি মদু লায়বক থীবনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। হোয় মীহুৎ মশেলগী মরক্তা লৈবা ৱাফমনি। চুম্মী মীয়াম য়াওরুবা য়াবমক্তি নত্তে। অদুম্নমক্তি ওইরবদা দেমোক্রেসিগী ৱাহন্থোক্কী মতুংইন্নদি মীয়াম্না ভোট থাদরগা মীহুৎ ওইনা খনখিবদু লৈঙাক্লবনি। মীহুৎ অমা ওইনা কারবা মতুংদা কন্সটিট্যুসনগী মখাদা ৱাশকপদা য়াওখিবা ৱাশক ৱারোল অদুসু অমুক হন্না নীংশিংবা য়াই হয়না খল্লি। শন্দোক্না হায়দ্রবসু থোক্লিবা থৌওং অসি করিনো হায়বদু মীয়াম্না খঙনরে। মদুদি ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসন্না মীচম মীয়ামদা দেমোক্রেসিগী মখাদা মীখলদা ভোট থাদৌ হায়বদা মদুগুম্বা মওংদু ওইরক্লবনি হায়বদি য়াওবা নত্তে। ওইরিবা ফীভম অসিদি দেমোক্রেসিগা তায়োন্নবা অমনি। হোয় অতৈ লমদসু ফীভম অসি অদুমক ওইবা কয়া য়াওখ্রে। লম অসিদা ওইবা নত্তে। অদুমওইনমক লমদমসিদসু তৌবদি অফবা নত্তে হায়নীংই। লৈঙাক্কী শেল মীয়ামগীনি। ওভরদ্রাফ তাবা মীয়ামদা পীবা খুদোংচাবা থৌওং অমনি। অদুনদি ভোট থাদবা মীয়ামগা ওইরিবা ফীভম অসিগা মরী লৈনদে করম্না হায়গনি। হোয় তাইবঙ মীওইবনি ৱাখল খেন্নরকপা মশানা তাবনি, থোয়দোক্না ঙক্লিংঙাইদি ওইদে। অদুবু ফীভম অসি লোইশিনখিবনা ফরে করিনা হায়ববু মীয়াম্না ভোট থাদরগা পামজনা খনখিবা মীহুৎশিং ওইবনিনা। মীয়াম ভোট থাদবা তনখিদনবা হোৎনবা চুমগনি খল্লি। ই ভি এম মেছিন্দা মীরেপশিংগী মমিং য়াওবা বতনদুগী মখাদা ‘নাটো’ হায়না থাবা বতন অমা ঈ সী আইনা হাপ্পক্লিবদুগী ৱাহন্থোক লৈরবরা? নোটানদি ভোট কাবা য়ারোই, মীহুৎ ওইরগা মিনিষ্টর ওইবদি য়াগনি থাজদে। ●

# মীয়াম্না পীবা ইলেক্সনগী রাই ইরন্নাইগীনি খনবা লানগনি

**মতম মতমগী ৱাফম**

**সেঞ্জম দেবেন**

মণিপুরগী মীয়াম্না পীবা এসেমব্লি ইলেক্সনগী রাই, মণিপুরগী পোলিটিসিয়নশিংনা লুম্না লৌদবা অমদি কিনা চত্তবগী থৌদৌশিং লানগনি। মীয়াম্না পীবা এম এল এ অমদি মিনিষ্টরশিং ওইবা য়ানবগী রাইটশিংদু, ঙসিগী মণিপুরগী পোলিটিসিয়নশিংনা ভেল্যু মশক খঙদবগা লোয়ননা থোইদোক্না ইকায়খুম্নবা অমা ফাওবসু উত্তবগুম উরি। মীয়ামগী থৌগল তৌজগে অমসুং মীয়ামগী অপাম্বশিং থুংহন্নবা হোৎনজগে হায়দুনা ইলেক্সনগী মতমদা, মীয়ামগী মফমদা অনীরোইশিং ওইদুনা, মকোক নোন্দুনা হায়জ-নোঞ্জখিবা পূম্নমক্তুনা, ভোট হেক কাখিবদগী খুদক্তগী হৌনা কাউনখিবগুম তৌই। এম এল এ নৎত্রগা মিনিষ্টর হেক ওইখিবদগী মখোয়না তৌনীংবা খক্তমক তৌখি অমসুং মখোয়গী অপাম্বা মাইওন খক্তদা চৎখি। থৌদৌসিনা মতমসিগী এম এল এশিং অমদি মিনিষ্টরশিং খক তুং কোয়না চৎপা ঙমহন্দে অমসুং পুন্সিদা মপূং ফানা মায় পাকপা লুচিংবশিং হায়বদু খক ওইবা ঙম্নদে। ৱাফমসি হায় হায়দুনসু, মীয়াম্না মখোয়বু হকথেংননা ফম্ফম্লাংদগী চিংথগনি অমদি নমদুনা মখোয়বু মফম থাদোকহনগনি হায়বগী ঙাক্তি নত্তে। অদুম ওইনমক, মীয়ামগী থৌজালগী ৱাহৈ অমসুং মীনুংশিগী ৱাহৈশিংবুদি মতম লৈবা খিবিক্তা তত্তনা ফংনবা হোৎনগদবনি। ৱাহৈশিংসিগী মতিং অসুক্কী মতিক কল্লি। ৱাহৈশিংসিগী ওন্ন-তৈনবদা, মীয়াম্না য়ানীংদবা অমসুং পেন্দবদগী থোক্লকপা খোনফমশিংগী মতিংসু চপ মান্নে। মীয়ামগী অপূনবা খোঞ্জেলনা য়ানীংদ্রে ফোঙদোক্লক্লবা এম এল এ/মিনিষ্টরশিংনবু কয়াম শাংনবু লৈপাক্কী থৌগল তৌবা ফংলুগদগে? মমাঙদা থেংনখ্রবা কাঙবুশিংনদি মহাক্কী ৱাহৈ পরেং অম’নিসিগী ৱাহন্থোকশিং ময়েক শেংনা খঙলমগনি। হৌজিক্কালগী এম এল এশিং অমদি মিনিষ্টরশিংনা থৌদৌশিংসিগী ৱাহন্থোকশিং নৈনরমগদরা হায়বসিমদি হায়বা খক ঙমদে।

মণিপুরদা ঙসি, মীয়ামগীদমক শেমখিবা লৈঙাক ময়ি চৎলে। থোয়দোক্না কায়রনি-তোয়রনিমক হায়বা ঙাক্কী ৱা নত্তবদা, মণিপুরদা ঙসি পাল্লিবা লৈঙাকসিমদি, তশেংনা ময়ি চৎপা লৈঙাক হায়বদু ওইরে। থৌদৌসি, লৈঙাক পায়মীন্নরিবা মশেনগী মরক্তা, অমগা-অমগা মতাং-মতম চানা ঈ-পাউশিং ফাওনবগী চাং ৱাৎহৌবা অমদি অমগা-অমগা নিংথি-নুংঙাইনা কো-ওপরেসনশিং পীনহৌদবদগী ওইরম্বসু য়াই। অদুম ওইনমক, মণিপুরদা হৌজিক-হৌজিকমক পাল্লিবা লৈঙাকসিমক্তি, লৈশেম্লকওঁদগী হৌনসু ফিরেপ চুম্না লেপ্পলকখিবা অমরা হায়বসি হংনরিবা ৱাহং অমনি। ষ্টেট অমগী লৈঙাক অমা শেম্বা হায়বসি তরাইবা থবক অমদি নত্তে। লৈঙাক শেম্বা মতমদা এম এল এ খুদিংমক মিনিষ্টর লোইনা ওইহনবগী খুদোংচাবা লৈতবনা, মশীং য়াম্লবা এম এল এ কয়ামুক্না পার্টিগী চৎন-লোনচৎশিং কায়হন্দনা এম এল এশিং ওইদুনা অদুমক লৈনৈ। হৌজিক্কী মতমদা চুম্নগী এম এল এ অমগা মিনিষ্টর অমগগী মরক্তা লৈনরিবা খেন্নবগী চাংসি, লৈপাক্কী খ্বাইদগী চম্লবা মীচম-মীয়ামশিংগী থাক ফাওবনসু ইরায়-লায়না লোইনা খঙনরিবা ৱাফমনি। থৌদৌসিদা য়ূম্ফম ওইরগা, হন্দক মণিপুর লৈঙাক্কী মনুংদা থোক্লক্লিবা ৱাথোকসিসু অয়াম্বনা, মিনিষ্টর ওইহৌদবা, পার্টিগী অমসুং লৈপাক্কীদমক য়েংলগা মতম শাংনা খাঙলক্লে হায়বা পার্টিগী এম এল এশিং কয়ামরুম্না লোবী তৌনরকপদগী থোক্লকপা ৱাথোকশিংসু ওইরম্বা য়াই। পূম্নমকসিগী মথক্তা পার্টি মশেনগী মনুংদা হান্না ঙাঙন-শক্লিখবা থৌদোক কয়ামরুম অমসু লৈরম্বা য়াই। পার্টি মনুংগী ওইবা অচেৎপা অমসুং অরুবা ফিরেপশিং কয়ামুক্তু, পার্টিগী মপান্দা লৈবা অয়েংবা কাঙবুশিংনা মতৌ করম্না লোইনসু খঙলুগনি। পূম্নমকসি লৈবননি, হন্দক মণিপুর লৈঙাক্কী মনুংদা অচৌবা থৌদোকশিং থোক্লদুনা, মণিপুর লৈঙাক পায়রিবশিংগী মরক্তা অনী থোক্না চিংখায়নরকপা য়াবগী ফীভমদা লাকখ্রিবদু। ফীভমসিদনি মণিপুরগী মীয়াম্না খম থেংনা শাউনখ্রিবসু। ময়েক শেংনা হায়রবদা, মণিপুর লৈঙাক পায়রিবা, লৈপাক্কী থৌপুরেলশিং ওইরিবা মখোয়না পার্টি মনুংগী ওইবা ৱাথোকপু লৈপাক্কী ওইবা ৱাথোক ওইনা করিগী পুথোক্লকপনো হায়বা ৱাফমসিদা, লৈপাক মীয়াম্না মণিপুর লৈঙাক্কী লুচিংবশিংবু য়ানীংদবগী খোনফমশিং ফোঙদোক্লরকপনি। থৌদৌসিনা ময়েক শেংনা, মণিপুর লৈঙাক পায়রিবা কাঙবুশিংগী মফমদা, মখোয় মশেনগী মনুংদা তারিবা, কথোকপা ঙম্নদবগী অমদি পুকচেল পিকশিন্নবগী মমিশিংদু, করিগীদমক লমদমসিগী লৈপাক মীয়ামগী মাঙদা ফোংনা পুথোক্লক্লিবনো অমসুং থৌদৌসি মণিপুরগী মীয়াম্না য়ানীংগদৌবা থৌদৌ অমরা হায়বা ৱাহংদু লৈঙাকলোইশিংগী মফমদা হংলিবনি।

ইলেক্সন লেপ্পমদাইদা কেন্দিদেটশিংনা লৈপাকসিগী মীয়াম্বু থেম-নৌদুনা মখোয়গী মখূৎ চন্নবা হোৎনবা অমদি মখোয়না পুনীংবা মায়কৈদা পুবসি য়াহন্দনবা লৈপাক্কী অনৌবা চৎন-পথাপ অমত্তং চৎনহনবা ঙম্লবদি, নুমিত্তুদগী হৌনা মণিপুর মীয়ামগী অনীংবা-অপাম্বশিংসি মণিপুর লৈঙাক্না খুদক-খুদক্তা শোয়দনা মনীং থুংহনবা ঙম্লক্কনি। থৌদৌদু নুমিৎনা করম্বা মায়কৈদগী থোক্লক্লবা মতমদা ওইরক্কদৌরিবনো হায়বসিসু হংনরিবা ৱাহংনি। মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা, মণিপুর কৌবা লমদমসিদা থম্মোয় শেংনা, উৎ-পাৎ মচেৎ অমা ফাওবা য়াওদনা অমুক্তং হিংবা ফংলক্কদৌরিবসিনা করম্বা নুমিৎ-থাদনো? মহৈরোয়শিংনা চহী চূপ্পা ঈরাং নোংমতা হৌদনা, নীংথিনা মহৈ তম্বা ফংজগদবা চহীদুনা কয়াম ৱাৎলিবনো? মতমদুনা করিগুম্বদা লাকপীবা থোক্লবদি, চীংদসু-তমদসু লমদমসিগী চহী নৌরিবা মহৈরোয়শিংনা লৈঙাক্কী মহৈশেঙশিংদা ফানদা ফম্লগা মহৈ তম্বা হায়বদু খঙজরনি। পূম্নমকসি, বৃটিশনা মণিপুরবু থাদোকপীরম্লবা মতুংদা, ইকুই কুইদনা ইন্দিয়া লৈঙাক্না অমুক্কসু অনীরকশুবা ওইনা, নুমিৎ-থাবু রাহুনা উমখিবগুম অমদি চৈরাপ কোর্টনা থাদোকপীবদা ঙাইরিবা ফাদোকপু, মণিপুর পুলিসনা অমুক হন্না ফাজিনবগী থৌদৌগুম, মণিপুরবু ইন্দিয়াগী ফিবান্নুংদা চনশিনখিবসিনা মণিপুরগী ফীভম সিমকসু য়ৌরল্লিবনি। ইন্দিয়া লৈঙাক, মণিপুর লৈঙাক, অনীমক অমত্তনি খেন্নবা করিসু লৈতে। অদুবু, হায়না-হায়না ইন্দিয়া লৈঙাক্কীদি চাওখৎপা য়াববু চাওখৎখ্রে, ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মীৎয়েং মখাদা মণিপুর লৈঙাক্না পাল্লক্লিবসি চহী হুম্ফু হেল্লক্লে, ঙসি ফাওবগী মনুংদা মণিপুর লৈঙাক্না মরমদম্বু, “মৈ-ঈশিং, লম্বী-থোং” শুপ্নগী ৱাহৈ অনীসিখক্তগী হেন্না খক মঙ মঙবা ঙম্লুদ্রি। অঙকপনি মণিপুর লৈঙাক, চহী হুম্ফু হেন্না পাল্লকপা, হৌজিক ফাওবদা মণিপুরগী লম্বী তঙ্খায় অমা ফানা ফাওবা শেন্বীবা ঙমদ্রি, ঈশিংগীসু অদুমঙাই, অতৈ খুঙ্গং-নুঙ্গংগী ৱাদি লাইখ্রদুনা, ইম্ফাল ময়োলসিদবু কুনমাথোইশুবা চহী-চা লানশিল্লক্লবসি ফাওবদা, টোটি পাইপ মশক উবা ফংদ্রিবা খুল-লৈকায়শিং কয়ামরুম লৈরি। মৈদংদি কাবক-কাবক, উচিন-নাচিন, কোর্পোরেসন ওনখিবদগী ইম্ফাল মনুংসিদা নোংমগী মনুংদা কুফেৎ-কাফেৎ, ফনা কুইনবু লাকহল্লে। ঙসিসুনি, কান্নদে, মণিপুর লৈঙাক্কী মরমদা ৱাখল থাদরুদুনা। কৈদৌঙৈদসু খক, লায়রবা মীচম-মীয়ামসিগী পুন্সিবু মীমান্নবা ঙম্নবা হোৎনবীবদি লাইরদুনা শুপ্নগী হিংননবগী পাম্বৈ মচা অমখক্তং ফাওবা শীনবীবা ঙমখিদ্রিবনি। মুন্নসনু, মখোয় মশেন পিবা ফম মুন্নবগুম, চীফ মিনিষ্টরগী পোর্টফোলিও, দেপ্যুটি সী এমগী পোর্টফোলিও। মমৈথংদদি মখোয়গী কাঙবুশিংসি, য়ারবদি গভর্ণরগী ফমসি ফাওবা য়াওনা পীয়ু মুন্নরক্কদ্রা, নুংশা থীবা পোক্নরি।

মণিপুরদা এম এল এ/মিনিষ্টরশিং ওইগে, লৈঙাক পায়গে, চীফ মিনিষ্টর ওইগে হায়দুনা তান্নরিবা পূম্নমকসি শুপ্নগী শেলগা শঙ্গগা, অনীসি খক্তবু তান্নরিবা নৎত্রা? ৱাখল্লোনসি মুন্না খঞ্জিন্নরুরবদি- মণিপুরগী পোলিটিসিয়নশিংনা পোলিটিক্সতা ফমশিং মুনবা তান্নরিবসি অসুক্কী মতিক ইকায়নীংঙাইনি। ইরমদম মচাসিগী য়েলহৌমীনি হায়দুনা লৈজরিবা ঐখোয় খরা-খকসিনা, ঐখোয়গী পীক্লবা ইরমদম মচাসি ফাওবদং চাওখৎহন্নবা লম্বী য়াৎপা ঙমজদে। চাওখৎহন্নবা খনবগী মহুত্তা নোংম-নোংমগী ঐখোয় ইশানা ইশাগী লম্বী ককশিল্লক্লবা, ইরমদমগী হায়বা ৱাখলসি থাদোক্লগা ইরন্নাইগী হায়বা ৱাখল্লোনসি খক্তদা ঙাওরি। ইরমদম্না মাঙশিল্লক্লবা, নোংম-নোংমগী পিশিল্লক্লবা মতমদুদা ঐগী, ইরন্নাইগী হায়বা ৱাখল্লোন্দু খক্তনা কান্নহনগদৌরিবসি কদাইদনো? ঐখোয় অমুক্তংদি খন্থমিন্নবা চুমদ্রা? ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।